# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
(DATE 17-10-2024)

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিগী চীংমী তম্মী অনিগী মচিন মনাউ ওইবা, নুংশি চান্নবা অমদি অপুনবগী শক্তম উৎপা মেরা হৌ চোংবগী থৌরম ঙসি পাঙথোক্কনি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুর জিলাগী কানন ভেংদগী খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

অমসুং

৩) বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা নায়ব সিংহ সাইনি ঙসি হরিয়ানাগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌরগনি।

------

হৌ চোংবা (এল)ঃ রাজ্য অসিগী চীংমী তম্মী অনিগী মচিন মনাউ ওইবা, নুংশি চান্নবা অমদি অপুনবগী শক্তম উৎপা মেরা হৌ চোংবগী থৌরম ঙসি পাঙথোক্কনি।

মপুং ওইবা থৌরম মেরা হৌ চোংবগী রাজ্য থাক্কী ওর্গনাইজিং কমিতিনা শিন্দুনা ইম্ফালগী কংলা অমসুং সনা কোনুংদা পাঙথোক্কনি। রাজ্য সভাগী এম.পি মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবা, মন্ত্রিশিং অমসুং এম.এল.এ কয়ানা শরুক য়াগনি। কংলা উত্রদা মহৌশাদগী চৎনরকপা নাৎকী ওইবা মেরা মেন তোংবা, য়েনখোং তম্বনচিংবা থৌরমশিংসু পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিগী মাংওইননা ঙরাং উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী অমাইবা, অমাইবী অমদি ফমাইবশিং য়াওনা কংলা মেন শুরুংদা মেনখোং লাংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি শরুক য়ানবা চীংগী তোঙান তোঙানবা খুলশিংগী খুল্লাকপশিং, লুচিংবশিং সনা কোনুংদা মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা তরামা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। মদুদা তোঙান তোঙানবা নাৎকী ওইবা থৌরমশিংসু পাঙথোকখি।

মৈরা হৌ চোংবা নুমিৎকা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা শ্রী বিরেন্না হায়- মেরাগী পুর্নিমা নুমিৎতা পাঙথোক্লিবা হৌ চোংবগী নুমিৎ অসিনা রাজ্য অসিদা চহি কয়া খুন্দামিন্নরক্লিবা কাংলুপ কয়াগী মরক্তা নুংশিন্নবা অমদি মচিন মনাউ ওইবগী শক্তম অদু উৎলি। রাজ্য অসিদা কাংলুপ কয়াগী মরক্তা য়েংথিননবা শিল্লিবা দিভাইসিব ফোর্সশিংবু মীয়াম পুন্না নিংথিনা লাকশিনবা ঙল্লবা মতমদা নুমিৎ অসি পাঙথোকপগী হেন্না মশক থোক্কনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়রি। কুম্মৈ অসিনা ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংঙাইনদবশিং কাউথোকদুনা শান্তি ওইনা পুন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন পুরকপা ওইরসনু।

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিদা শান্তি অমদি মহৌশাগী তংদু লৈতাবা ফিভম হঞ্জিনহন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমদি তম্পাক্কী জিলাশিংগী মফম কয়াদা থি হুম্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসন লেপ্তুনা চথুরি।

রাজ্য পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙরাং থোকখিবা চেরোল অমদা হায়- হৌখিবা পুং ২৪ দা, চুরাচান্দপুর জিলাগী নিউ লমকাগী কানন ভেংদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি নোট থ্রিগী রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল রাইফল মরি, রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অমা, পম্পি গন মরি, নোংমৈ মরুশিং অমদি তিয়ার গ্যাস গন সেল অনি ফারে।

ডে (এল)ঃ ৩৫ শুবা লোক্তাক নুমিৎকী পালন থৌরম ঙসি পাঙথোক্কনি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা দ য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন, নিংথৌখোংনা শিন্দুনা রন ফোর লোক্তাক হায়না মীংথোনবা লমজেলসু চেনগনি। লোক্তাক পাৎকী মরমদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহনবগা লোয়ননা মসিবু য়োকখৎনবা হোৎনবদা নহারোলশিংনা লৌগদবা থৌদাং হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা লমজেল অসি

পাঙথোক্কদবনি। লমজেল অসি এল.দি.এগী চেয়ারমেন এম. অশিনি কুমারনা লমথাগনি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা লোক্তাক্তা ঙা মচাশিংসু থাদগনি। অদুগা থাঙ্গ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং অমদি মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরমশিং পাঙথোক্কনি।

আর্মি (এল)ঃ ভারত লান্মীনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর জিলাদা লৈবা ব্রাইটৱে ফাউন্দেসন ওর্গানেজদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা নুপীমচা ২৯ য়াওনা পুন্না অঙাং ৫০ হেন্না লায়েংবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকসু য়েন্থোকখি।

কৃটন (এল)ঃ গুরু গুলাপি নট সংকৃটন একাদমিনা শিন্দুনা নুমিৎ নিনি চুপা চখ্থগদবা ৩১ শুবা গুরু কৃটন সেবা ঙরাংদগী ক্বাকৈথেল লৈবা একাদমি অসিদা হৌদোকখ্রে। থৌরমদুদা শকাইরবা কৃতিক অমদি ত্রান্সলেটর লাইশ্রম মেমো সিংহদা গুরু খ্বাইরাকপম লৈবাকমচা নিংশিং মনা, মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ডান্স এন্দ ম্যুজিক্কী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ডাঃ এম. থোইবদা খ্বাইরাকপম ৱাংখৈ নিংশিং মনা পীদুনা ইকায় খুমখি।

হরিয়ানা ঃ হরিয়ানাদা বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা নায়ব সিংহ সাইনি অনিরকশুবা ওইনা রাজ্য অদুগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনবগীদমক ঙসি ৱাশক লৌরগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম পঞ্চকুলাগী সালিমার গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনচিংবা কেন্দ্রগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াগনি।

শ্রী নায়ব সিংহগী ৱাশক লৌবগী থৌরম হেক লোইবগা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা এন.দি.এগী মুখ্য মন্ত্রি অমদি উপ-মুখ্য মন্ত্রিশিংগী ওইবা মীফম অমসু চান্দিগরদা পাঙথোক্কনি। মীফম অদুদা বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দা, ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ, গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহসু শরুক য়াগনি।

মীফম অদু য়াওনবগীদমক মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহসু চান্দিরগরদা থুংখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী বিরেন্না চান্দিগরদা মহাকপু হরাউ তয়ামা ওকপীবা অদুদা নুংঙাইবা ফোংদোকপগা লোয়ননা চান্দিগরগী মীয়াম্বুসু থাগৎখি।

হৌজিক হৌজিক বি.জে.পিগী মুখ্য মন্ত্রি ১৩ অমসুং উপ-মুখ্য মন্ত্রি ১৬ লৈরি। অদুগা মহারাষ্ট্র, অন্ধ্র প্রদেশ, বিহার, সিক্কিম, নাগালেন্দ অমসুং মেঘালয়দনা বি.জে.পিগা চুংশিন্নবা দলশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং লৈরি।

নিতি ঃ নিতি আয়োগনা শিন্দুনা নুমিৎ নিনিগী ওইবা ইন্তরনেসনেল মেথানোল সেমিনার এন্দ এক্সপো ২০২৪ ঙসিদগী নিউ দিল্লিদা হৌরগনি।

থৌরম অসি আমেরিকাগী মেথানোল ইন্সটিট্যুটকা খুৎশিন্নদুনা পাঙথোকপনি। মসিদা মেথানোল পুথোকপগা মরী লৈনবা প্রোজেক্টশিং অমদি রিছার্স অমসুং দিভলপমেন্টকী লমদা খুমাং চাওশিল্লকপশিং অমদি মেথানোল পুথোকপা, মসি শিজিন্নবা অমসুং অতৈ টেকোলোজিগী লমদা চাওখৎলক্লিবশিং অদু উৎকনি।

ধনখর ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা ঙরাং শিল্লোংদা মেঘালয় স্কিল এন্দ ইনোভেসন হবকী যাত্রা হুনখ্রে। শ্রী ধনখর নুমিৎ নিনিগী অসাম অমসুং মেঘালয়গী খোঙচৎতা লাকখিবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা উপ-রাষ্ট্রপতিনা হায়- স্কিল অমসুং ইনোভেসন হায়বসি নৌনা পুথোকপা নত্তে, মসিদি মীওইবা অমগী অককবা লম অমদা হৈথোই শিংথোইবা অদু উৎপনি। মসিনা হ্যুমেন রিছোর্সেসকী মহাকা স্কিল দিভলপমেন্ট অমসুং ইন্তরপ্রেন্যুসিপ মন্ত্রালয় হাংদোকপা অমদি লাক্লিবা চহি মঙা অসিদা নহা লাখ ৫ দা কান্নবা ফংহনগদবা ইনটর্নসিপকীদমক লুপা কোতি লিশিং ৬০ কাইথোকখিবা অদুগী মতাংদসু পনখি। শ্রী ধনখরনা হায়- খুঙ্গংশিং অমসুং সেমি অরবান এরিয়াশিং স্কিল দিভলপমেন্টকী সেন্তরশিং ওইহনগদবনি। লৈবাক অসিগী অপুনবগী শক্তম, শেল থুম অমদি সংস্কৃতিগী লমদা চাওখৎপদা অৱাং নোংপোক লমদমনা লৌরিবা মপুং ওইবা থৌদাং অদুবুসু মহাকা পনখি।

বেদমিন্টন ঃ ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা ভারতকী পেরা বেদমিন্টন শান্নরোই- শুকান্ট কদম মেদ্রিদতা পাঙথোক্কদবা সেকেন্দ হুয়েগোস ইক্লুজিভোসতা শরুক য়ারগনি। মহাকা স্পেনগী বেদমিন্টন শান্নরোই ক্লারা অজ্‌রমেনদিগা মপাং ওইগনি অমসুং ইটলি অমসুং স্পেনগী জ্‌রাগা লম্বা তৌনগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

হরিয়ানাগী চীফ মিনিষ্টর ৱাশকপগী থৌরম অমসুং চীফ মিনিষ্টরশিংগী কনক্লেভতা শরুক য়ানবা সি.এম চান্দিগরদা থুংখ্রে, শান্তি হঞ্জিল্লকবা খোঙ থাংজিনবা হৌরে অমসুং শকখঙদবশিংনা য়ুকো বেঙ্ক ককচিং ব্রাঞ্চ লুট তৌখিবগী পাউশিং অসিনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

হরিয়ানাগী ৱাশক লৌবগী থৌরম য়াওরুনবা চীফ মিনিষ্টর ইম্ফাল থাদোকখ্রে, সেন্তরগী লুচিংবা কয়া উন্নরক্কদৌরি হায়বা পাউনা ঈচেল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দিল্লিদা ৱারা শান্নরুবা মিনিষ্টর এম.এল.এশিং ইম্ফালদা হন্নরক্লে, মৈতৈ, কুকি অমসুং নাগাগী মীহুৎশিং ফম্মিন্নরগা ৱারী শান্নখি, শান্তিগী লম্বীদা খোঙ থাংজিনবা হৌরে হায়না অৱাংবৌ নিউমাইনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা পোক ফমদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মসিগা মান্নবা পাউদা- কুকি এম.এল.এশিংনা য়ুনিয়ন তেরিতোরি দিমান্দ তৌরি, সেন্তরনা য়ানিংদে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মণিপুর নিউজদা- অমুবা মচুগী ফিজোল শেৎপা শকখঙদবা মী অমখকা য়ুকো বেঙ্ক ককচিং ব্রাঞ্চ লুট তৌখ্রে হায়না মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মসিগা মান্নবা পাউদা মীওই অমনা ককচিংগী বেঙ্ক অমদগী লুপা লাখ ৬ লিশিং ৪৯ গী শেনফম লুট তৌখ্রে হায়না পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- মেরা হৌ চোংবা থৌরমগী মাংওইননা নিংথৌনা য়েলহৌমীশিং ওকখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

আই.এম.সিগী রিগুলর ষ্টাফ ২৩৬ লৈগদবদা ১৯১ খক্তমক লৈরবসু থা ৯ গী তলব পীদ্রে, মণিপুর লৈঙাকা পীফম থোকপা শেনফম চহি অনি চুপা পীরমদ্রে, আই.এম.সিগী ষ্টাফশিং তিলাই খোন্বী নোইবদৌনা নোইহৎলে হায়বা পাউ অসিনা হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দ্রোন বোম্বিংগী থৌদোক এন.আই.এনা থিজিনবা হৌখ্রে হায়বা পাউনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মুৎখিবগী অকিবা লৈরবা তরাও ফুরুপনা কলচর কন্নবা হোৎনরি হায়না সনালৈবাক্কী এনকর কলমদা ফোংলি।

ইকোনোমিগী ফিভম ফগৎলকপগী মমি উরে হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিউ মেলদা- প্রোটেক্সন ওফ মাইগ্রেটরি বার্দ অমুর ফালকোন হায়বা হিরমদা তমেংলোং হেদক্বাটরসতা ব্রার্কসোপ পাঙথোকখিবগী পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- ককচিংগী য়ুকো বেঙ্ক নোংমৈ পায়বা মীওই অমনা লুট তৌখিবগী পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- সি.এম. বিরেন সিংহনা মণিপুরগী ইকোনোমি চাদা ১৮ দি ফগৎলে হায়না ফোংদোকখিবা ব্রাফমনা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

------